**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 26-01-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) লৈবাক্কী অতে মফমশিংদা পাংথোকবগুম মণিপুরদসু৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

২) ইম্ফালগী ঐতিহাসিক ওইরবা কংলাদা পাঙথোকপা থৌরমদা রাজ্যপাল আজয়কুমার ভল্লানা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল পাইহনখি অমদি নিংথিজরবা মার্চ পাস পেরেদ অমগী সলামি ওকখি।

৩) গনতন্ত্র দিবস পালনগা মরী লৈননা ইম্ফালগী কংলাদা ঙসি পাঙথোকখিবা মার্চ পাস পেরেদতা মকোক মথং তারবশিংগী মিং লাউথোকখ্রে।

৪) মণিপুরদা, ফ্রিদম ফাইতর রানি গাইদিনলিয়ুগী ১১১ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

অমসুং

৫) অৱাং নোংপোক লমদমদা লুপা কোতি ৮২.৫ চংনা পায়খৎকদবা বেম্ব্ প্রোজেক্ট অনি দোনর মন্ত্রি জ্যোতিরঅদিত্যা সিন্দিয়ানা ঙসি হৌদোকখ্রে।

------

আরদি ঃ লৈবাক অসিগী ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা লুচিংদুনা নিউ দিল্লিগী কর্তাব্যা পাথতা পাঙথোকখি। থৌরম অদু প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নেসনেল ৱার মেমোরিয়েলদা চত্তুনা মহাকা লুচিংলগা জাতি

অসিনা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবশিংগী মফমদা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎতুনা হৌখি।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল পাইহনখি অমসুং জাতিগী ঈশৈ শকপগা লোয়ননা নোংমৈ ২১ রক কাপতুনা সলামি পীখি। রাষ্টপতিনা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী গ্রুপ কেপ্তেন সুবানসু সুক্লাদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা শান্তিগী মতমদা পীবা গলেন্টরি এৱার্দ অশোক চক্র পীদুনা ইকায় খুমখি।

কর্তাব্যা পাথতা পাঙথোকখিবা গনতন্ত্র দিবসকী পেরেদ অদুদা ভারতকী মখল মখা য়াম্লবা নিংথিজরবা সংস্কৃতি অমসুং ভারত লাম্মীগী শক্তি উৎপনা থোইদোকপা শক্তম ওইখি। কুমশি চহিগী গনতন্ত্র দিবস পালনগী নুংগী ৱাখল্লোনদি- স্বাতন্ত্রতা কা মন্ত্র- বন্দে মাতরম অমসুং সম্রিধি কা মন্ত্র-আত্মা নিরভর ভারত হায়বসিনি। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিং অমদি কেন্দ্র সরকারগী মন্ত্রালয় অমসুং দিপার্টমেন্টশিংগী টেব্লো ৩০ পেরেদ অদুদা উৎখি। থৌরম অদু ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী এয়ারক্রাফট ২৯ না ফ্লাই পাস উৎতুনা লোইশিনখি। পেরেদ অদুদা আর্টিষ্ট লিশিং ২,৫০০ হেনবনা জগোই ঈশৈগী থৌরমশিং উৎখি।

চহি অসিগী গনতন্ত্র দিবস পালনদা য়ুরোপিয়ন কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট এন্তোনিয়ো কোসতা অমসুং য়ুরোপিয়ন কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট উরসুলা ভোন দর লিয়েননা পুন্না অথোইবা মীথুংলেন ওইখি।

মালেম শিন থুংবদা লৈরিবা ভারত মচাশিংনা মখোয়না লৈরিবা লৈবাকশিং অদুদা লৈবা ভারতকী মিসনশিংদা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল পাইহন্দুনা ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পাঙথোকখি।

ডে (এল)ঃ লৈবাক্কী মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু ঙসি ভারতকী ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন পাক শন্না পাঙথোকখি। মপুং ওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা ঐতিহাসিক ওইরবা ইম্ফালগী কংলাদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা রাজ্যপাল আজয়কুমার ভল্লানা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল পাইহনখি অমসুং নিংথিজরবা মার্চ পাস পেরেদ অমগী সলামি ওকখি।

টেব্লো ১৩, কলচরেল ক্রুপ ১৪ অমসুং মণিপুর পুলিস, সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি ফোর্স, এন.সি.সি, স্কুল অমদি কলেজগী মহৈরোইশিং অমসুং অঙ্গনৱাদি সেন্তরশিংগী কন্টিঞ্জেন্ট ৬৭ পুন্না কন্টিঞ্জেন্ট ৯৪ রোমা শরুক য়াখিবা মার্চ পাস পেরেদ অদু ৮ সুবা মণিপুর রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট এন. মধুনিমাই সিংহনা লুচিংখি। অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদগী চৎপা হৌখিবা মার্চ পাস পেরেদ অদুনা কংলাদা চংলুরগা অমুক অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদা হল্লকপদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি পি.কে. গোয়লনা থাগৎ ৱারোল পীখি।

মফম অদুদা, মার্চ পাস পেরেদ অদুদা শরুক য়াখিবশিংদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যগী চিফ সেক্রেটরি পি.কে.গোয়লনা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা ভারত সংবিধানবু ইকাই খুমবগা লোয়ননা লমদম অসি নুংশি চান্নবা অমসুং খুমাং চাউশিনবা রাজ্য অমা ওইহন্নবা অমুক হন্না ৱাশক লৌরসি হায়না আপিল তৌখি।

কংলাদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা, রাজ্যপালনা মীওই অমদা পুলিস মেদল ফোর দিসতিঙ্গ্যুস সর্ভিস, পার্সনেল ১০ দা পুলিস মেদল ফোর মেরিতোরিয়স সর্ভিস অমসুং মীওই অনিদা ফায়র সর্ভিস মেদল ফোর মেরিতোরিয়স সর্ভিস পীখি।

মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরশিং অমসুং সব-দিভিজনেল হেদক্বাটরশিংদসু গনতন্ত্র দিবস থৌরম মপুং ফানা পাঙথোকখি। জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল পাইহনবা, মার্চ পাস পেরেদশিংগী সলামি ওকপা, নাৎকী জগোই ঈশৈ অমসুং জিলা জিলাগী ওইনা মথৌ নিংথিনা তৌবা কর্ম্মচারিশিংদা মেরিৎ সার্তিফিকেট য়েন্থোকপনা থৌরমশিং অদুগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

ইম্ফালগী কোনুং লম্পাক্তা লৈবা অকাশবানি ইম্ফালগী ওফিস কমপ্লেক্সতসু ঙসি অয়ুক দাইরেক্তর ইঞ্জিনিয়ারিং এন. নন্দকুমার সিংহনা মচুগী অহুমগী ফিরাল পাইহন্দুনা ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পাঙথোকখি।

হয়েং অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদা বিটিং দ রিত্রিট থৌরম পাঙথোক্লবা তুংদা, গনতন্ত্র দিবস পালন লোইশিনগনি।

৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস থৌরমগী অখন্নবা পাউগী শক্তম তাবীরিবা পাউ অসি হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি।

রিজল্ট (এল)ঃ ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালনগা মরী লৈননা ইম্ফালগী কংলাদা ঙসি পাঙথোকখিবা পেরেদতা মকোক মথং তারবা কন্টিঞ্জেন্টশিং লাউথোকখ্রে।

মার্চ পাস চাংদমবা অদুদা য়ুনিফোর্ম কন্টিঞ্জেন্টতা মরিসুবা মহার (বোর্দর) রেজিমেন্ট অমদি অসাম রাইফলসনা অহানবা, বোর্দর সেক্যুরিতি ফোর্সনা অনিসুবা অমদি ১১ শুবা ইন্দিয়া রিজার্ভ বত্তাল্লিয়ন্না অহুমসুবা তাখি। স্কুলগী কাংলুপ্তা কে.জি.বি.ভি অন্দ্রোনা অহানবা, মণিপুর পাব্লিক স্কুলগী নুপীমচাশিংনা অনিসুবা অমসুং টি.জি. হায়র সেকেন্দরি স্কুল অহুমসুবা তাখি। এন.সি.সিগী কাংলুপ্তা ১৪ শুবা এন.সি.সি সেনিয়র বোইজ অমসুং গার্লস, ৬৫ শুবা গার্লস এন.সি.সি অমদি এন.সি.সি সেনিয়র এয়ারৱিংনা মথং শিংনা অহানবা, অনিসুবা অমদি অহুমসুবা তাখি। কলেজগী কাংলুপ্তা দি.এম কলেজ ওফ সাইন্স, লিবরেল কলেজ অমসুং মণিপুর কলেজনা মথং শিংননা অহানবা, অনিসুবা অমদি অহুমসুবা তাখি।

বেন্দ পার্তিদা অসাম রাইফলস বেন্দ প্লাতুন্না অহানবা, অহানবা আই.আর.বি বেন্দ প্লাতুন্না অনিসুবা অমদি সি.আর.পি.এফৱ বেন্দ প্লাতুন্না অহুমসুবা তাখি।

কলচরেল ডান্স ক্রুপতা শলাইরেল কলচরেল রিছার্স ইন্সটিট্যুট ইম্ফাল ৱেষ্টনা অহানবা, কামজোং জিলাগী চাকামা আর্টস এন্দ কলচর একাদমিনা অনিসুবা অমসুং থৌবালগী দ পার্ফোমিং আর্টস এন্দ কলচরেল ইভোলুসন্না অহুমসুবা তাখি।

টেব্লোদা তুরিজম বিভাগনা অহানবা, টেক্সতাইল, কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রি বিভাগকী হেন্দুলম এন্দ টেক্সতাইলনা অনিসুবা অমদি ফোরেষ্ট বিভাগনা অহুমসুবা তাখি।

গেট কন্সত্রক্সনগী ওইনা সেরিকলচর বিভাগনা অহানবা, ফোরেষ্ট বিভাগনা অনিসুবা অমদি তুরিজমনা অহুমসুবা তাখি। লোয়ননা চাংদমবা অসিদা তোঙান তোঙানবা কন্টিঞ্জেন্ট অমদি মীওইশিংদা অখন্নবা মনাশিং পীদুনা পুকিং থৌগৎকনি। মনাশিং অসি হয়েং অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদবা ফোল্ক ডান্স ফেষ্টিভেল অমদি বিত্তং দ রিত্রিট থৌরমদা লানথোক্কনি।

এৱার্দ(এল) ঃ গনতন্ত্র দিবসকী মাংওইননা রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা মীওই ১৩১ দা পদ্মা এৱার্দ পীবদা অয়াবা পীখ্রে। কুমশি চহীগী ওইনা পদ্মা বিভুসন ৫, পদ্মা ভুসন ১৩ অমসুং পদ্মাশ্রি ১১৩ য়াওরি। পদ্মা বিভুসন ফংগদবশিংগী মনুংদা ধরমেন্দ্র সিংহ দিওল, ভি.এস অচুতানন্দননচিংবা য়াওরি। পদ্মা ভুসন ফংগদবশিংগী মনুংদা অলকা য়াগনিক, মম্মোতি, সিবু সোরেন, বিজয় অমিত্তারাজ য়াওরি। পদ্মশ্রী মনা পীননবা লাউথোকপদা মনিপুরদগী লৈখিদ্রবা নট সংকৃর্ত্তনগী গুরু-য়ুমাম যাত্রা সিংহ য়াওরে।

মনা ফংলবশিংগী মনুংদা নুপী ১৯ অমসুং মপান লৈবাক্কী মীওই, এন.আর.আই, পি.আই.ও অমদি ও.সি.আই মীওই ৬ য়াওরি। এৱার্দ ফংলবা নুপীশিংগী মনুংদা মণিপুরদগী নোর্থ ইষ্টর্ন পুলিস একাদমি ইন্দোরগী দিপ্যুতি দাইরেক্তর ওইরিবী গেহাবতি চনম্বমদসু মেদল ফোর মেরিটোরিয়স সার্ভিস (এম.এস.এম) পীখি।

সাইতেসন (এল) ঃ গনতন্ত্র দিবস পালনগা মরী লৈননা ১৯ শুবা ঘরৱার্ল রাইফলস, ১৭, ৩৮ অমসুং ৪০ শুবা অসাম রাইফলস, অনিশুবা মহার রেজিমেন্ট, ২৫ শুবা বি.আর.টি.এফ, ককচিং, সেনাপতি অমসুং চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, ১০ শুবা বি.এস.এফ অমসুং ১৪৩ শুবা সি.আর.পি.এফতা গভর্ণর য়ুনিট সাইতেসন পীরে হায়না লাউথোকখি।

গাইদিনলিয়ু(এল) ঃ ফ্রিদম ফাইতর রানি গাইদিনলিয়ুগী ১১১ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি মণিপুরদা পাঙথোকখ্রে। রানি গাউদিনলিয়ু তামেংলোং জিলাগী তৌসেম সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা নুংকাউ ভিলেজতা ১৯১৫ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা পোকখি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা লুচিংবী অসিগী মফমদা ইকাই খুমবা উৎলি। পাউজেল অমদা শ্রী বিরেননা হায়-মহাক অসি অকিবা লৈতবী ফ্রিদম ফাইতর অমনি অমসুং থৌনা অমদি কখোকপগী খুদমনি। মহাকা হায়-ফ্রিদম ফাইতর অসিগী পুন্সিনা মীপুম খুদিংমক্তা ঐখোয় ইশাগী শক্তম ঙাক্তুনা থম্বা অমসুং নুংশি চান্নবা অমদি খুমাং চাউশিনবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা পুকিং ইথিল ওইদুনা লৈরগনি।

চোথে ঃ মণিপুরী চোথে ফুরুপকী খ্বাইদগী চাউবা লৌরোক মতুংগী কুম্মে-ইনমপৈলিন ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী লম্লাংহুপি চোথে খুলদা হৌখ্রে। কুম্মে অসি চোথে থাংৱাই পাখংবগী খুভমদা কোনয়াই হুনদুনা হৌদোকখি। কুম্মে লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ১ নোংমাইজিং নুমিৎতা কোনচন য়াইচনদুনা লোইশিনগনি হায়না খুল্লাকপা থাউ যাত্রা চোথেনা ফোংদোরক্লি।

সিপিআই ঃ কম্যুনিষ্ট পার্তি ওফ ইন্দিয়া (সি.পি.আই) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল কাচিখুল ব্রঞ্চকী ৫২ শুবা চহিগী মীফম ঙসি পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা লৈবাক মীয়ামগী চাওখৎনবা থৌরাং পায়খৎনবা সরকারদা তকশিনগদবা ৱারেপশিং লৌখি। ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা কাচিখুল-ইম্ফাল লম্বী পাকথোক চাউথোকবা অমসুং নৌহৌননা কোইলাস থাদুনা শেমজিনবা, লমদম অসিগী লৌফমশিংদা ঈশিং মরাং কায়না ফংহন্নবা থবক পায়খৎপা, খুল অসিগী স্কুল অসি হেন্না ফগৎহন্নবা সরকারনা শোত্থরবা ইমুংশিংদা লেমা মহৈ মশিং তম্বীনবা থৌরাং পায়খৎপগী ৱাফম য়াওরি।

অমরোমদা, মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীহুৎশিংনা মণিপুরগী ৱাথোক খুদক্তা লোইশিল্লু, মীতোপ খন্দোক্লবা মতুংদা মীকোক থিবগী থবক

পায়খৎকদবনি অমদি নেসনেল হাইৱেশিং অয়েৎ অপন লৈতনা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াহল্লু হায়বা খোল্লাউশিং লাউখি।

দোনর ঃ দিভলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন (দোনর) অমসুং কম্যুনিকেসনগী মন্ত্রি জ্যোতিরঅদিত্যা এম. সিন্দিয়ানা অৱাং নোংপোক লমদমদা লুপা কোতি ৮২.৫ চংনা পায়খৎকদবা বেম্বু প্রোজেক্ট অনি ঙসি হৌদোকখ্রে।

গুৱাহাতিদা পাঙথোকপা প্রোজেক্টশিং হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মন্ত্রিনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা অৱাং নোংপোক লমদমশিংদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎলি। হৌখিবা চহি ১২ অসিদা লমদমশিং অসিদা চাউনা অহোংবা কয়া পুরকপা ঙমলে। মহাকা হায়- ৱাগী পোৎলমশিং শাবদা থোইদোক হেন্দোকা খুৎ-শা হৈরবা কাংলুপশিং শেমগৎতুনা নহা লিশিং ৪,৪০০ হেনবদা তাকপী তন্বীনবা থৌরাং তৌরি। নিংথিনা শেম শারবা ৱাগী পোৎলমশিং পুথোকপদা পুকিং থৌগৎনবগীদমক অসাম কর্বি অংলোং অমসুং নাগালেন্দগী মকোকচুংদা য়ুনিত অনি অনি থমবা থৌরাংসু লৈরে।

অমরোমদা, ৱাগী পোত্থোকশিং মীয়ামদা ফংহন্নবগীদমক নোর্থ ইষ্ট কেন এন্দ বেম্বু দিভলপমেন্ট কাউন্সিলনা ঙসি অমাজো, ফ্লিপ কার্দ অমসুং ওল টাইব প্লাষ্টিক্সকী মরক্তা য়ান্না চেরোল অহুমসু সহি তৌনখি।

দত্তা ঃ ১৯ শুবা চহি চাগী মীয়ামা খ্বাইদগী পামখিবা শকাইরবা কবি মাইকেল মধুসুদন দত্তগী ২০২ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি কোলকাতাদা পাঙথোকখ্রে। বঙ্গালি সাহিত্যগী লময়ানবা অইবা মাইকেল মদুসুদন দত্ত থোইদোক হেন্দোকা মহাক্কী ব্লেক ভর্স (অমৃত্রক্সার চন্দা) অমসুং সোনেট বঙ্গালি লোলদা হৌদোক্লম্বা থোইদোক হেন্দোকা শকখঙনরবা অইবনি। মহাকা খৃষ্টান লাইনিং চৎতুনা সাহিত্যদা নোংচুপ লমদা মহাক্কী মফম কলমখি। তুংদা, মমারোলদা কৎথোকপগা লোয়ননা রামায়নদা য়ুম্ফম ওইবা মেঘনাথ বাধ

কাভ্যানচিংবা শৈরেং ইরমখি। বঙ্গালি ড্রামা অমদি শৈরেং কয়া ইদুনা বঙ্গালি সাহিত্যদা অচৌবা খুদোল তৌরমখি। অদুমওইনমক মহাক্কী পুন্সিদি অৱাবা কয়া থেংনদুনা মশাগী চহি ৪৯ শুরকপদা কলকাতাদা লৈখিদে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা কোলকাতা ম্যুনিপাল কোর্পোরেসন্না পার্ক সরকসতা লৈবা মহাক্কী নিংশিং ফুরাদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

ৱেদর ঃ মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা দিল্লি, হরিয়ানা অমসুং চান্দিগরদা কা হেন্না ইংগনি। বিভাগ অসিনা হায়- হিমাচল প্রদেশ, লদাখ অমসুং জম্মু কাশ্মীরদা হয়েং অকনবা নোং চুরবা য়াই। মসিগীসু মথক্তা পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর অমসুং হিমাচল প্রদেশতা লৈচিল কা হেন্না থারবা য়াই।

জয়শঙ্কর ঃ ভারত অমসুং আমেরিকানা ঙরাং লৈবাক অনিগী লৈনরিবা মরীগী তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিং ভারত-পেসিফিক লমদম অমসুং য়ুক্রেনগী লান য়াওনা হিরম কয়াদা ৱারী শান্নখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা হায়- কংগ্রেসকা ৱারী শান্নবা হায়বসি ভারত অমসুং আমেরিকাগী মরীগী য়ামা মরুওইবা মায়ওন অমা ওইরি। ৱারী শান্নবা অদুদা শরুক য়াখিবা আমেরিকা কংগ্রেসকী মীহুৎ কাংবু অদুদা মাইক রোজরস, অদাম স্মিথ অমসুং জিমি পেত্রেনিস অমদি ভারত্তা লৈবা আমেরিকাগী এম্বেসেদর সরজিও গোর য়াওখি।

নেপাল ঃ নেপালগী অপ্পর হাউসতা নেপালি কংগ্রেসনা খ্বাইদগী মশিং য়াম্বা দল ওইরে। ঙরাং পাঙথোকখিবা নেসনেল এসেমব্লিগী মীখলদা নেপালি কংগ্রেস অমসুং সি.পি.এন-য়্.এম.এলনা চাউনা মায় পাক্লে। ঙরাং পাঙথোকখিবা মীখল অদুগী ফল নেপালগী ইলেক্সন কম্মিসন্না লাউথোকখ্রে। মীখল অদুদা নেপালি কংগ্রেসনা সিট ৯, সি.পি.এন-য়ু.এম.এলনা ৮ অমসুং লোক তন্ত্রিক সমাজৱাদি

পার্তি নেপালনা সিট ১ ফংখি। অপুনবা সিট ১৮ মনুংদা নেপালি কংগ্রেস অমসুং য়ু.এম.এল. দল অনিগী চুংশিন্নবা কাংবুনা সিট ১৭ ফংখি। মতম লোইদুনা পোখারগদবা মেম্বর ৮ লৈবা নেপালি কম্ম্যুনিষ্ট পার্তিদি অমত্তা কাদ্রে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেট ঃ বি.সি.সি.আই দোমেষ্টিক সিজন ২০২৫-২৬ কী রঞ্জি ত্রোফি প্লেটকী ৱিন্নর বিহারনা ওইখ্রে। পাটনাগী মোইন উল হক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা বিহারনা মণিপুরবু রন ৫৬৮ দা থোইখি। ত্রোফি অসিগী প্লেয়ার ওফ দ সেরিজনা ফৈরোইজম জোতিন্না তাখি। মহাকা ইন্নিংস ৬ তা রন ২৬১ অদুগা ইন্নিংস ১০ দা ৱিকেট ১৫ লৌখি। হাইহেষ্ট ৱিকেট টেকরনা বিশ্বজিৎ সিংহ কোন্থৌজমনা তাখি। মহাকা ইন্নিংস ১০ দা ৱিকেট ২৪ লৌখি।

অমরোমদা, সিজিন অসিগী ওইনা গুজরাত কলেজ ক্রিকেট গ্রাউন্দ-এ অহমেদবাদতা চত্থরিবা কর্নেল সি.কে. নায়ুদু ত্রোফি প্লেটকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা নাগালেন্দনা মণিপুরবু ৱিকেট ৭ তা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ গেলেক্সি ক্রিকেট ক্লব খুরাই শাজোর লৈকাইনা শিন্দুনা চত্থরিবা অহানবা কে.সি.সি. কপ খুরাইগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা- কে.সি.টি খুরাই অমদি কার এলেভেন পোরোমপাৎ মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা কে.সি.টি খুরাইনা ৱিকেন ৱারিয়রবু ৱিকেট ৫ দা থোইখি। অনিসুবা মেটচতা কে.সি.টি খুরাইনা কার এলেভেনবু ৱিকেট ৩ দা অমদি অহুমসুবা মেটচতা কার এলেভেন পোরোমপাৎনা ৱিকেন ৱারিয়র ক্ষেত্রিগাউবু ৱিকেট ৭ তা থোইখি।

------